# লৈবাক মনুংগী সিক্যুরিটিদা শীংনরকপশিং মীকুপ নাহুম শীংনা লৈননবা পি এমনা ষ্টেটশিংদা খঙহনখ্রে




*১১শুবা ইন্টর ষ্টেট কাউন্সিলগী মীফমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱা ঙাংবা*

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৬ঃ*

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি লৈবাক অসিগী ষ্টেটশিংনা ইন্টিলিজেন্সনা পীরকপা পাউশিং য়েংশিনবগা লোয়ননা মীকুপ নাহুম শীংনা লৈবাক অসিগী ইন্টর্নেল সিক্যুরিটিদা শীংনরক্লি বশিং থেংননবা হোৎনগদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ইন্টর ষ্টেট কাউন্সিল মীতিংদা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংগী চীফ মিনিষ্টরশিংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়, ঐখোয়না লৈবাক অসিগী ইন্টর্নেল সিক্যুরিটিদা শীংনরক্লিবশিং থেংননবা অমদি করম তৌনা থেংনগদগে হায়বা লমদা অহেনবা মীৎয়েং চংবা তঙাইফদে।

ষ্টেট অমসুং সেন্টরনা ইন্টিলিজেন্সকী পাউশিং চপ চানা নৈনদ্রিবা ফাওবা লৈবাক অসিগী ইন্টর্নেল সিক্যুরিটি মপাঙ্গল কনখৎহনবা ঙম্লোই। লুচিংবা অদুনা হায়, মতম পুন্নমক্তা মতমগা চুন্ননা মীৎকুপ নাহুম শীংনা ষ্টেটশিংগী চীফ মিনিষ্টরশিংনা লৈগদবনি।

লেফটিনেন্ট গভর্নর অমসুং য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ১৭ ইন্টর ষ্টেট কাউন্সিলগী মেম্বর ওইরি। অহানবা ওইনা নরেন্দ্র মোদিনা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংগী চীফ মিনিষ্টরশিংগা ৱারী শান্নখি।

কাউন্সিলগী মীফম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়, শীংনরক্লিবশিং অদু করম তৌনা থেংনগদগে। সেন্টর অমসুং ষ্টেটনা হিরম অসিগী মতাংদা করম্না মওংদা মতেং পাংনগদগে হায়বদু লেপথোক্কদবনি। অফবা মরী লৈরিবমখৈ ষ্টেট অমসুং সেন্টরগী মরী মীচম মীয়ামগীদমক অফবা ওইগনি।

অদুম ওইনমক ঙসি পাঙথোকখিবা চীফ মিনিষ্টরশিংগী মীফম অদুদা উত্তরপ্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর অমসুং সমাজ ৱাদি পার্টিগী লুচিংবা ওইরিবা অখিলেস য়াদব অমসুং কংগ্রেসকী লুচিংবা করনাটকাগী চীফ মিনিষ্টর শিদরাময়া শরুক য়াখিদে হায়রি।

জম্মু অমসুং কাস্মিরদা হিজবুল মুজাহিদ্দিনগী টেরোরিষ্ট বুরহান ৱানি হাৎখিবা মতুং ষ্টেট অদুদা ওইরিবা শাথিবা ফিভম অদুনা মরম ওইরগা ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফতি মীফম অদুদা শরুক য়াখিদে হায়রি।

ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চিয়র লৌদুনা ইন্টর ষ্টেট কাউন্সিলগী ১১শুবা মীফম পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট ৩১গী চীফ মিনিষ্টরশিং শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা খন্নখিবা হিরমশিংগী মনুংদা মহৈ-মশিংগী লমসু য়াওখি। স্বামী বীবেকানন্দনা হায়রম্বদা মহৈ-মশিংনা লমচৎ -শাজৎ, মী অমা ওইবগী তৌবা ঙম্বা অমসুং মরোমদোম লেপচনবগী থৌনা পী। লৈবাক অসিগী নহাশিংনা অদুগুম্বা ৱাফম অদু পূক্নিংদা থমদুনা খন্থগদবনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুগী এজেন্দা অমা ওইনা লৈবাক অসিগী ইন্টিলিজেন্সকা পুন্না থবক তৌমিন্নদ্রবদি শাফবা ফিভম অমা পুরকপা ঙম্লোই। ষ্টেটশিংনা মীৎকুপ নাহুমশিংনা অদুগুম্বা পাউশিং অদু য়েংলগা থবক তৌগদবনি। লৈবাক অসিগী তুংগী অফবা হায়বদু মীয়াম্না পুরক্কদবনি হায়খি।

# মেঙ্গলোর স্পিপসিয়েল ইকনোমিক জোন কম্মিস্নারগী য়ুমদগী সি বি আইনা লুপা ক্রোর ১ ফাগৎখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৬ঃ*

শেন্থোক্কা চান্নদনা লন-থুম লেপশিনবগী মায়োক্তা থাঙ্গৎলকখিবা কেস অমগা মরী লৈননা সি বি আইনা স্পিপসিয়েল ইকনোমিক জোন, সুটরকী য়ুমদা থি-হুন্বদা লুপা ক্রোর ১গী শেনফম ফাগৎখ্রে।

সি বি আইগী পাউ মতুং ইন্না বিজয় কুমার নরায়ন কৌবা মীওই অমনা শেন্থোক্কা চান্নদনা লন-থুম লেপশিল্লে হায়না থাঙ্গৎলকখিবা ৱাকৎ অমদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন সি বি আইনা প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্টকী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা থিগৎপা হৌখ্রে।

মেঙ্গলোরগী স্পিপসিয়েল ইকনোমিক জোনগী দিভলপমেন্ট কম্মিস্নার অমসুং মহাক্কী লোয়নবীনা শেন্থোক্কা চান্নদনা লন-থুম লেপশিল্লম্বা থেংনখি। লৈঙাক্কী থৌমী অমা ওইনা শেন্থোক্কা চান্নদনা লুপা ক্রোর ৫.২৬ য়ৌনা মখোয়গী মিং অমসুং ইমুং মনুংগী মীওইশিংগী মিংদা লেপশিল্লম্বশিং য়েংশিনবা দরকার ওই।

আইন কায়না য়ুম-ইঙ্খোল, কারবার, লৌউ-শিংউগী মফমশিং লেপশিল্লম্বশিং থিগৎকদবশিংগী মনূংদা য়াওরি হায়না সি বি আইগী ৱাঙাংলোই অমনা ফোঙদোরক্লি। সি বি আইগী ৱাঙাংলোই অমনা ফোঙদোরকখিবদা মেঙ্গলোর, মুম্বাই, মালেগাও অমসুং নাশিক্তা লৈবা মফমশিংদা থি-হুন্বগী থবক চথখি।

মদুদা দিভলপমেন্ট কম্মিস্নার অদুনা লন-থুম কয়া লেপশিল্লম্বা থেংনখি। মীওই অদুনা লৈঙাক্কী থৌমী অমা ওইনা লুপা লাক্ষ ৯৯.৬০গী লৈফম অমসুং মুম্বাইগী অন্ধেরিদা লুপা লাক্ষ ৯৪.৯৯গী ওইগদবা ফার্মসু লৈরমখি হায়রি।

সনা অমসুং লুপাগী পোৎলমশিং অমদি মহাক্কী লোয়নবীগী মিংদা লৈবা বেঙ্ক লোকরশিংদা থল্লম্বা পোৎলমশিংসু ফাগৎখি হায়রি।

# সাইনিক স্কুলগী মহৈরোই ৫ লায়কন্নখ্রে

*কোইম্বেটোর, জুলাই ১৬ঃ*

ত্রিপুরাদা সাইনিক স্কুলগী চহী ১১ শুরবা মহৈরোই অমা লৈখিদ্রবা মতুং মহৈরোই ২৪ হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি।

মহৈরোইশিং অদু হু চেনবা চিঞ্জাক চারুবদগী নারকপনি হায়বগী চীংনবা লৈ। মখোয় লায়হৌ হৌবগী ৱাকৎ লাকখি। মখা তানা মহৈরোই ৫ চপ মান্নবা লায়ওংদা নারকপদগী হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি।

ত্রিপুরা গভর্নমেন্ট হোস্পিটালদা চপ মান্নবা লায়ওংদা পুখৎলকখিবা মহৈরোই কয়াগী মনুংদা মহৈরোই ২৪দি হোস্পিটাল অদুদা লায়ন্নখি। অদুগা অতৈনা দিসচার্জ তৌখি।

সিদরট কৌবা ক্লাস ৪ তম্বা মহৈরোই অমা ঙরাং পীরকখিবা চীঞ্জাক অদু চারুবদগী ওবা অমসুং অতোপ্পা লায়ওং কয়া উৎলকখি।

মহৈরোই অদু হোস্পিটালদা পুখৎপা নংদনা লৈখিদে। থৌদোক অদুগী মতাংদা ত্রিপুরা ওথোরিটিনা থিগৎনবা খঙহনখিবগী মতুং ইন্না থিগৎপগী থবক চথবা হৌখ্রে।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা মহৈরোই কয়া শীহনখিবা অদুগী চপ চাবা মরম খঙবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক অথুবা মতমদা খঙবা ঙম্লগনি হায়রি।

ত্রিপুরা সাইনিক স্কুলদা তম্বা মহৈরোই ১ নৌনা লৈখিদ্রবা মতুং থিগৎপগী থবক চথনবা ত্রিপুরা লৈঙাক্না খঙহনখ্রে হায়রি।

# উত্তরপ্রদেশতা শেংদবা য়ু থক্লুবা মীওই ৫ শীরে

*ইটাহ, জুলাই ১৬ঃ*

উত্তরপ্রদেশকী অলিগঞ্জ লমদমদা শেংদবা য়ু থক্লুবা মীওই ৫ শীরে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

লমদম অদুদা লৈবা মীওইশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না অদুগুম্বা য়ুশিং অদু থক্লুবা মীওই ১২ লায়কন্নখ্রে। মখোয়গী মনুংদা ৫দি লৈখিদ্রে।

ঙরাং নুমিদাংৱাইরম লাওখেরা খুঙ্গংগা নক্লনা লৈবা লুহারি দরৱাজদা য়ু থক্লুবা মীওই ১৭কী মনুংদা ৫ শীখি। লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা নেত্রপাল (৩৫), রামেস সাকিয়া (৩৬), হারবেস (২৫), অটিক (৩১) অমসুং রাম অতুর য়াওরি হায়রি।

এদিস্নেল এস পি ভিসারজন সিংহ য়াদবনা ফোঙদোরকখিবদা অদুগুম্বা য়ু থক্লুবদগী লায়কন্নরিবা মীওই কয়া লৈরিবগে হায়বদু থিগৎলি। চৈরকসিদা লমদম অদুগী মীয়াম্না ইটাহ-ফরুখাবাদ লম্বী থিংজিন্দুনা খোঙজং চংশিনখ্রে। লৈখিদ্রবা অতিক অমসুং রামেসকী অশিবা হকচাং লম্বী ময়াইদা থমদুনা খোঙজং চংশিনখি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট মাজিষ্ট্রেট অজয় য়াদবনা ফোঙদোরকখিবদা শেংদবা য়ু থক্লুবদগী লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদা এক্সগ্রেসিয়া ওইনা লুপা লাক্ষ ২ পীরগনি হায়না লাউথোকখি। লোয়ননা অদুগুম্বা য়ুশিং অদু য়োনবশিংগী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎনবসু খঙহনখ্রে হায়রি।

# কুপ তৌননবা হোৎনরকখিবা মায় পাকহনখিদ্রে, মীওই ২৫০ শীরে ১০০ হেনবনা অশোক অপন নংখ্রে



*টর্কিদা লান্মী কাংবু অমনা কুপ তৌনবা হোৎনরকখিবা মতুং মীয়াম্না লম্বীদা থোক্লকখিবা*

*ইষ্টানবুল, জুলাই ১৬ঃ*

টর্কিদা লান্মী কাংবু অমনা কুপ তৌননবা হোৎনরকখিবা টর্কি লৈঙাক্না মায় পাকহনখিদ্রে। থাংজ নুমিৎতা লৈবাক অদুগী মরু ওইবা সহরশিং লৈঙাক্না খূদুম চনবা ঙমখ্রে। অদুম ওইনমক খূৎ থোক্লবা অদুদা য়ামদ্রবা মীওই ২৫০ শীখ্রে। অদুগা লিশিং ১ হেনবনা অশোক অপন নংখি।

হৌজিক লৈবাক অদুদা তম্বা ঙমদবা ফিভম অমা মায়োক্লরি। কুপ তৌনবা হোৎনরকখিবা মীওই ১০০ রোম শীখ্রে হায়না টর্কিগী লান্মীগী মকোক জেনরেল উমিট দুনদারনা ফোঙদোরক্লি।

লৈবাক অদুদা থোক্লিবা ইরাং অদুদা মীচম ৪৭ য়াওনা লান্মীনা মীওই ৯০ হাৎখি। মরু ওইবা সহরশিংদা হৌজিকসু টেঙ্ক কয়া শীজিন্নদুনা অকনবা লাল চথরি। লানফম অদুদা মীওই ১,১৫৪ অশোক অপন নংখ্রে হায়না ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি অয়ুক ফাওবদা লৈঙাক্কী লান্মীনা অঙ্করাদা লৈবা আর্মি হেদ ক্বাটর নকশিনবা ঙমখ্রে। লৈবাক অদুবু কুপ তৌনবা হোৎনরকখিবশিংগী থৌরাং মায় পাকহনখিদ্রে হায়না টর্কিগী সেনিয়র ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইষ্টানবুলগী লম্বী সরকশিং মী অমত্তা চৎনদ্রে। নুমিদাংগী মতমদা নোংমৈ কাপ্পবা, বোম পোকখায়বা অমদি লম্বী থোং কয়া থুগায়বগী থবক চথরক্লি।

য়ু এসকী নক্লবা মপাং অমা ওইরিবা টর্কিদা তং তাদবা ফিভম অমা মায়োক্লরি। লৈবাক অদুনা ইস্লামিক ষ্টেটকী মায়োক্তা থেংনরি। তোঙান-তোঙানবা সহর কয়াদা চরাংনবা থোকপগা লোয়ননা ঈ-নাই তারি। অহিং চুপ্পা খূৎ থোক্লখিবা মতুং প্রসিদেন্ট টায়িপ ইরদোগন ইস্থানবুল এয়ারপোর্টতা উখি।

মহাকপু মীয়াম্না ফিরাল হায়দুনা শৌগৎখি। লুচিংবা অদুনা হায়, মহাক লৈবাক অদুগী মীয়াম্না অয়াবা পীদুনা শক্তিং পায়রকখিবনি। লৈবাক অদুগী অপিকপা লান্মী কাংবু অমনা লৈবাক অদুগী অপুনবগী শক্তমদা শীংনরক্লি।

লৈঙাক্কী পুলিস অমসুং লান্মীনা লৈঙাক্কী বিল্ডিং অমসুং সহরশিং ঙাক শেন্নবা হোৎনরি। অঙ্করাদা মীওই কয়ানা লম্বী সরক্তা থোক্লক্তুনা খোঙজং চংশিনখি। কুপ তৌননবা হোৎনরকখিবা লান্মী কাংবুনা লৈঙাক্কী ওফিস অমসুং মীয়াম তিনফমদা নোংমৈ কাপশিনবগী থবক চথরকখি।

লৈবাক অদুগী তংদু লৈতাদবা ফিভমদা খ্বাইদগী চাওনা শীংনরকপা হন্দক্কী অসিনা মরু ওইবা অমা ওইরে। অঙ্করাগী লম্বীদা খোঙজং চংশিনখিবা মীওইশিং টেঙ্কনা তকখায়বা মীওই কয়াগী অশিবা হকচাং লম্বীদা তাদুনা লৈবা উরি। হেলিকোপ্টরদগী মীয়াম তিনবা মফমদা নোংমৈ কাপশিল্লক্লি।

মদুনা মরম ওইরগা অশিবা মশিং হেনগৎলকপা য়াই হায়বগী অকিবা লৈ হায়রি।

# ধাকা এটেক্কী মাষ্টর মাইন মশক খঙবা ঙম্লে

*ধাকা, জুলাই ১৬ঃ*

ধাকাগী কেফে অমদা এটেক চথরক্তুনা মপান লৈবাক্তগী লাকপা মীওই ২০ হাৎখিবা থৌদোক্কী মাষ্টর মাইন মশক খঙবা ঙম্লে হায়না বঙ্গলাদেশ ওথোরিটিনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

অদুগুম্বা থৌদোক অদুদা ইনিদয়া মচাশিংসু অশিবশিংগী মনুংদা য়াওখিবনি। বঙ্গলাদেশ লৈঙাক্না অদুগুম্বা এটেক অদুগী মাষ্টর মাইন খঙবা ঙম্লে । অদুম ওইনমক মীয়ামদদি ফোঙদোকখিরোই হায়না হোম মিনিষ্টর অসাদ দুজমন খাননা ফোঙদোরক্লি।

মশক খঙদোক্লবা মীওইশিং অদু থিজিন-হুমজিনবশিংগী খুদোংচাননবগীদমক মশক মমিং লাউথোক্তবনি হায়রি। ইস্লামিক ষ্টেট টেরোরিষ্টশিংনা ধাকাগী অপ মার্কেট গুলসন দিপ্লোমেটিক জোনদা লৈবা রেষ্টুরেন্ট অমদা এটেক চথদুনা মীওই ২২ হাৎখি।

লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা ইনিদয়াদগী টারিসি জেন কৌবা চহী ১৯গী নুপীমচা অমা য়াওখি। মহাক্না লোয়ননা মপান লৈবাক্তগী লাকপা মীওই ২০ টেরোরিষ্ট এটেক অদুদা শীখি।

পুলিসনা টেরোরিষ্টনি চীংনবা মীওই ৬ মথংগী অয়ুক্তা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি। সিক্যুরিটিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবদা থৌদোক অদুদা চেন্নবা টেরোরিষ্ট ৬কী মনুংদা ৫ মশক মমিং খঙবা ঙম্লে। ইদ কুম্মৈগা মরী লৈননা লৈবাক অদুদা পাঙথোকপা খ্বাইদগী চাওবা কুম্মৈ অদুদা এটেক চথরকপদা পুলিস পার্সোনেল অনী শীহনখি। প্রাইম মিনিষ্টর সেখ হাসিনা লৈঙাক্না থৌদোক অদু জমট ই-ইস্লামনা থোকহনখিবনি হায়না মরাল শীরি।

# টর্কিদা ইন্দিয়াগী মহৈরোই ১৪৮ পন্দুনা লৈরি

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৬ঃ*

টর্কিদা লান্মী কাংলুপ অমনা কুপ তৌনবা হোৎনরকখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী মহৈরোই ১৪৮ অমসুং ওফিসিয়েল ৩৮ পন্দুনা লৈরি হায়না এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্টর সুসমা স্বরাজনা ফোঙদোকখ্রে।

হুট অপ খুথাংদা ইন্দিয়ান টি ভি চেনেল অমদা থাকরখিবা মেসেস অমদা লৈবাক অদুগী অৱাং নোংপোক থংবা প্রোভিন্সতা মহৈরোই কয়া লৈরি। স্কুল চেম্পিয়নস্পি জুলাই ১১দগী জুলাই ১৮ ফাওবা পাঙথোক্কদবনি। অদুম ওইনমক লমদম অদুদা বোম পোকখায়বা অমসুং খূৎ থোক্লবগী থৌদোক কয়া থোক্লি হায়রি।

GAS TODAY

MANIPUR GAS
Booking upto .......25/06/2016
Valid from ........... 21/06/2016
Stk.......................306 (DBTL)
19kg ................................ 36
Timing.........7.30 to 09.30 am
Including Home Delivery

HRANGCHAL GAS AGENCY, OLD LAMBULAND
Booking upto .......09/07/2016
Valid from ........... 02/07/2016
Stk.......................306 (DBTL)
Timing.........7.30 to 10.30 am

LAMSHANG GAS
Booking upto .......10/06/2016
Valid from ........... 08/06/2016
Stk.......................306 (DBTL)
Timing.........7.00 to 10.00 am
Submit Aadhaar Card Urgently

YAIRIPOK GAS SERVICE
Booking upto .......03/05/2016
Valid from ........... 29/04/2016
Stk.................................306
Timing.........7.00 to 10.00 am

SPOT ADMISSION
FOR
Top Colleges in India for the following courses :
Assistance in Education Loan
Drop up facility upto College Hostel
❖MBBS ❖B. PHARM ❖BSc. Nursing ❖BHMS ❖B.P.T. ❖GNM ❖BDS ❖BAMS ❖B. Tech
❖Robotics ❖Civil, Mech. ❖CS ❖EEE ❖ECE ❖IT ❖Petroleam ❖NANO ❖BHM
❖BBA ❖MBA ❖BSc. Agri ❖Forestry ❖HOTI ❖BFAD ❖Food Tech. ❖BCA ❖MCA
Avail Limited Scholarship
100% Placement Assistance
For details :-
Career Info Solution
New Checkon Road near ICICI Bank
Contact us @ 9089762725
SL/B/Upto 17 July 2016

## SANA - SUDOKU

Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating .any numbers

Hard Sana Suduku-643

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | 6 | 3 | | 9 | 8 |
| 9 | | | | 7 | 4 | 1 | | 5 |
| | | | | | 9 | | | |
| | 2 | | 1 | 4 | | | 6 | 3 |
| 8 | 1 | | | | | 2 | | |
| | 6 | | 7 | | 2 | | | |
| | | 3 | | | | | 1 | 2 |
| | | 5 | 4 | | | 6 | 7 | |
| | | | 9 | 2 | | 8 | 3 | 4 |

সনা-সুদোকু- ৬৪২ গী সোল্যুস

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 4 | 2 | 5 | 6 | 3 | 7 | 9 | 8 |
| 9 | 3 | 6 | 8 | 7 | 4 | 1 | 2 | 5 |
| 7 | 5 | 8 | 2 | 1 | 9 | 3 | 4 | 6 |
| 5 | 2 | 7 | 1 | 4 | 8 | 9 | 6 | 3 |
| 8 | 1 | 4 | 3 | 9 | 6 | 2 | 5 | 7 |
| 3 | 6 | 9 | 7 | 5 | 2 | 4 | 8 | 1 |
| 4 | 9 | 3 | 6 | 8 | 7 | 5 | 1 | 2 |
| 2 | 8 | 5 | 4 | 3 | 1 | 6 | 7 | 9 |
| 6 | 7 | 1 | 9 | 2 | 5 | 8 | 3 | 4 |

# বুরহান ৱানি হাৎখিবা মতুং কাস্মিরগী তোখায় তানিংবশিংনা নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবা কাস্মির তম্পাক্তা অকনবা খোঙজং চংশিনগনি ফোঙদোকখ্রে

*শ্রীনগর, জুলাই ১৬ঃ*

কাস্মির তম্পাক্তা থল্লিবা কর্ফ্যু লৌথোক্লবা অমসুং মীচম কয়া হাৎখিবগী মায়োক্তা কাস্মিরগী তোখায় তানিংবা কাংলুপশিংনা জুলাই ১৮ ফাওবা সট দাউন্দ তৌগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

করিগুম্বা ষ্টেট ওথোরিটিনা কর্ফ্যু লৌথোক্ত্রবা অমসুং মীয়ামগী নিংখা তম্বা হঞ্জিনহনদ্রবদি মখা তানা পুং ৭২ ফাওবা খোঙজং চংশিনগনি হায়না হুরিয়ট কনফরেন্সকী চিয়ারমেন মিরৱাইজ উমর ফরুকনা ঙসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

হুরিয়টকী লুচিংবা অদুনা হায়, কাস্মিরগী সেপরেটিসশিংনা রাজনিতিগী কাখল অমা খাক্কদবনি। লোয়ননা শান্তি ওইনা রাজনিতিগী ওইবা খোঙজং চংশিনবা য়াহনগদবনি হায়খি।

কাস্মিরদা হ্যুমেন রাইটস অমসুং মীয়ামগী নিং-তম্বা হৌখিবা চয়োলদগী ফংদনা লাক্লবনি। মদু লোইশিনখিবা দরকার ওই। হিজবুল মুজাহিদ্দিনগী কম্মান্দর বুরহান ৱানি জুলাই ৮দা হাৎখ্রবা মতুং কাস্মিরদা তোখায় তানিংবশিংনা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চংশিল্লক্লি।



*বুরহান ৱানি হাৎখ্রবা মতুং কাস্মিরদা নহারোলশিংনা চংশিল্লকখিবা খোঙজং*

বুরহান ৱানি হাৎখিবা নুমিৎ অদুমক্তদা ষ্টেট অদুদা নোংমগী ওইনা খোঙজং চংশিন্নবা লাউথোরকখি। মদুগী মতুং মখা তানা খোঙজং চংশিন্নবগী মতম নুমিৎ নিনি শাংদোরকখ্রবা মতুং খোঙজং চংশিনবা মীয়াম অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সকী মরক্তা উংখৎনবা কয়া থোকহনখি। মদুগী মতুং লাক্লিবা নিংথৌকাবা ফাওবদা কাস্মির তম্পাক্তা সট দাউন্দ তৌগনি হায়না ফোঙদোরকখিবনি।

কাস্মিরগী সেপরেটিসশিংনা মীয়ামদা মখা তানা ইরাই নুমিৎ ফাওবা খোঙজং চংশিন্নবা খঙহনখিবা লৈখি।

চৈরকসিদা পাকিস্তান জম্মু অমসুং কাস্মিরদা থোক্লিবা হিংশাগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা অকনবা এটেক চথরকখ্রে। পাকিস্তান দিফেন্স মিনিষ্টর মুহম্মদ অসিফনা ফোঙদোকখিবদা কাস্মিরদা থোক্লিবা হিংশা অদু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা দাইত্ব লৌগদবনি।

মোদি লৈঙাক্না কাস্মিরদা কাংলুপ অমবু মুথৎনবা হোৎনরে। মোদিনা গুজরাটতা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদগী কাংলুপ অমবু মুথৎনবা থৌশিল পায়খৎখিবা হৌখ্রবনি। মদু মখা তানা চথরক্লি।

পাকিস্থানগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সরিফনা জুলাই ১৯বু কাস্মিরগী য়েংলগা অমম্বা নুমিৎনি হায়না থৌরম পাঙথোক্কনি হায়না ফোঙদোকখিবা মতুং য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লিবা অদুনি।

হৌজিক কাস্মির তম্পাক্তা হিংশা থোক্লি। সরিফনা হিজবুল মুজাহিদ্দিনগী কম্মান্দর বুরহান ৱানিবু মার্টিয়র অমা ওইনা লৌরি হায়রি।

ইন্দিয়াগী লৈবাক মনুংগী ওইবা হিরমশিংদা পাকিস্তাননা খূৎ থিংজিল্লকপা য়াবা ঙম্লোই। ইস্লামাবাদনা কাস্মিরগী ৱাথোক অসি মালেমগী ওইবা ৱাথোক ওইনা পুখৎনবা হোৎনরি হায়রি।

পাকিস্তাননা অমম্বা নুমিৎ পাঙথোক্কনি হায়বা ৱাফম অদু লাহোরদা লৈবা গভর্নর হাউসতা পাঙথোকপা মীফম অমদা নৱাজ সরিফনা ফোঙদোকখিবনি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বুরহান ৱানি টেরোরিষ্টনি। নৱাজ সরিফনা বুরহান ৱানিগী মতাংদা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অদু থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইবা অমনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর ওফিসনা ফোঙদোকখিবনি।

DIRECT ADMISSION IN INDIA & ABROAD
MBBS in BANGLADESH
DHAKA, CHITTAGONG, RANGPUR & RAJSHAHI
MBBS in INDIA, KAZAKHSTAN & CHINA
10th Times Installment to be paid Within 5 Years
NO DONATION
NO PROCESSING FEE
NO VISA FEE
EDUCATIONAL LOAN AVAILABLE
# NOTICE #
No Free Laptop, No Free Mobile
No, Free For Travelling Fare
No Free Tab
GET SCHOLARSHIP BENEFIT OF UPTO 20 LACS
BDS in INDIA (no donation)
Top Colleges Recognised by DCI
B. Tech/BE (☞ Rs. 70,000/ yr)
Civil, Mech, EEE, ECE, IT, ARCHITECTURE & CSC
B.Sc Nursing, GNM & BPT (Physiotheraphy) at Guwahati & Bangalore
Agriculture, Forestry & Horticulture at Dehradun
Regional Office :-
Office Regd. No. 548/SR(IE)
LUWANG EDUCATION TRUST
Palace Compound Near Pioneer Academy, Opposite SBI ATM Booth, Imphal East
✆ 9856167106 ✆ 8259867645
SL/B/14th July- 20th Sept. 2016